# ওলিম্পিক গেমসতা মতম শাংনা শরুক য়ারকখ্রবসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা হোকিখক্তংদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লকখি

(হান্নগী মখা…)

ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা হোকি মশান্না শক্তাল্লকখিবদি কুমজা ১৯০৮দা লন্দন্দা তৌখিবা অদুদনি। হায়রিবা মতমদুদা ইনিদয়াদি শরুক য়াবা ঙম্বগী থাক য়ৌদ্রি। ইহান হান্না হৌদোরকখিবা চহীদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংদি ইংলেন্দ, আয়রলেন্দ, স্কোটলেন্দ, ৱেলস অমদি জর্মনিনি। মসিগী মখা চথরকপা কুমজা ১৯২০দা তৌখিবা ওলিম্পিক গেমসতসু (হোকি) শুপ্পগী লৈবাক মরিখক হায়বদি ইংলেন্দ, দেনমার্ক, বেলজিয়ম অমসুং ফ্রান্সখক্তনা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা হোকিদা ওলিম্পিক য়াওখিবসিদি কুমজা ১৯২৮গী আমষ্টর্দম ওলিম্পিক অসিদগীনি। হায়রিবা ওলিম্পিক গেমস অদুগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রিয়াবু ৬-০দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা বেলজিয়মগা শান্নখিবদসু ইন্দিয়ানা বেলজিয়মবু ৯-০দা থোইখি। অহুমশুবা মেচতসু ইন্দিয়ানা দেনমার্কপু ৫-০দা থোইবা ঙমখি। মরিশুবা মেচতসু স্বিজরলেন্দবু ৬-০দা মায়থীবা পীখি। লোয়নননা মঙাশুবা মেচতসু নেদরলেন্দবু ৩-০দা থোইবা ঙমদুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। অসুম্না কুমজা ১৯২৮গী অমষ্টর্দম ওলিম্পিক গেমসতগী সনাগী মেদল পুরকখি।

মসিগী মতুং তারকপা কুমজা ১৯৩২গী লোস এঞ্জেলস ওলিম্পিক, কুমজা ১৯৩৬কী বর্লিন ওলিম্পিক, কুমজা ১৯৪৮গী লন্দন ওলিম্পিক, কুমজা ১৯৫২গী হেলশিনকি ওলিম্পিক গেমস, কুমজা ১৯৫৬কী মেলবোর্ন ওলিম্পিক ফাওবদি থংনা-থংননা হোকি মশান্নদা ইন্দিয়ানা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখি। অদুবু কুমজা ১৯৬০দা রোমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতদি ইন্দিয়াগী হোকি টিম গোল্ড মেদলগী মহুৎতা সিলভর মেদল ওইনা পুরকখি। চহীদুদদি পাকিস্তান্না সনাগী মেদল লৌখি। থংনবা চহী ১৯৬৪গী মেক্সিকো ওলিম্পিক্তা অমুক সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি। কুমজা ১৯৫৬তগী নৌনা থোরকখিবা পাকিস্তান টিমগা, ইন্দিয়াগা চহীদুগী ফাইনেল মেচতা অকনবা লন্বা তৌনদুনা শান্নখি।


১৯৩২ ইন্দিয়ন হোক্কি টিম

মেলবোর্ন ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু ১৪-০দা, য়ু এস এগা শান্নবদনা ১৬-০দা, শিঙ্গাপোরগা থেংনখিবদনা ৬-০দা, জর্মনিগা শান্নখিবদনা ১-০দা অদুগা পাকিস্টানগা থেংনখিবদসু শুপ্পতংগী ১-০দা থোইবা ঙমখি। লোয়নননা মেলবোর্ন ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা রেঙ্কিং ৱান্দা লৈরগা পাকিষ্টান্না অনীশুবদা লৈখি।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৩২গী লোস এঞ্জেলস ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা এথলেটিক্সকী শান্নরোয় মরি অমনে, স্বিমিংগী অমনে, হোকিগী টিম অমনে শরুক য়াখি। অদুবু হোকিগী টিমনা সনাগী মেদল অমখক পুরকপা অদুনত্তনা অতৈ ইভেন্টকী প্লেয়রশিংদি মেদল অমত্তা লৌরকখিদে।

কুমজা ১৯৩৬তা পাঙথোকখিবা বর্লিন ওলিম্পিক গেমসতদি ইন্দিয়াগী ওইনা হোকিগী টিমনে, রেসলর অহুম অমনে, বর্মিজ ৱেটলিফটর অমনে ওফিসল ওইনা মীওই অহুমনে, টিম মেনেজর ওইনা জি দি সোনধিনা লুচিংদুনা শরুক য়াখি। হায়রিবা চহী অদুদসু হোকিখক নত্তনা ইনিদয়াগী শান্নরোয় অমত্তনা মেদল লৌরকপা ঙমখিদে। হান্নগী হান্না অন্মা-অন্মা শান্ন-খোৎনবগী মতাংদা থোইদোক্লা ফগৎলকপা উখিদে। মমিংতগী ওইনা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবগী ফীভমদা অদুম লৈখি।

অসুম্না মতম শাংনা লাক্লবা মতুংদা, কুমজা ১৯৪৮দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলিম্পিক গেমসতদি ইন্দিয়াগী ওইনসু অচৌবা অহোংবা অমা লাকখি। হায়রিবা চহী অদুদদি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্না শান্নরোয় ৫০গী অচৌবা দেলিগেসন অমা থাবা হৌরকখি।

-মথং-মথং


১৯৩৬ ইন্দিয়ন হোক্কি টিম

রত্নেশ্বরি গোস্বামী
ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়া

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়ান্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তঃ পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ক্লব অমসুং ফেদরেসনশিংনা এস এ আইগী ষ্টেদিয়মশিং লেম্না শীজিন্নবা য়ারগনি: স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ক্লব অমদি ফেদরেসনশিংনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেদিয়মশিং লেম্না শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মতম শাংনা লৈবাক অসি শিনবা থুংনা লৈরিবা অচৌবা ষ্টিদিয়মশিং অসি পব্লিক্না শিজিন্নবদা অথিংবা খর লৈরিবনি লোয়নননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকক্লবা কাংলোনশিং থমদুনা পব্লিক্না শিজিন্নবদা মতম অমসুং অয়াবা লৌদ্রবদি য়ারমদবনি।

লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা চহী অসিগী নবেম্বর ১দগী হৌরগা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শান্ন-খোৎনবগী মফমশিং পুন্নমক নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসন , ক্লবশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা লিগশিংদা লেম্না শিজিন্নবা য়াহল্লগনি।

স্কিম অসিগী মখাদা ইহানবা হানবা ওইনা ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টদিয়ম, ইনিদরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টদিয়ম, মেজর ধ্যানচান্দ নেসনল ষ্টদিয়ম অমসুং কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা কম্পিটিসন অমসুং স্পোর্টস ইভেন্টশিং শেল তিংদনা শিজিন্নবা য়াহল্লগনি। অদুবু ফেদরেসনশিংনা মৈ অমসুং অতোপ্পা এক্সপেন্স খরদি পীবা তারি। নাকল অমরোমদা নেসনল কম্পিটিসনশিং পাঙথোকপা মতমদদি শান্নবগী ইনফ্রাষ্টকচরশিংগী চাদিং পুন্নমক পুগদৌরি।

ফেসিলিটিশিং অসিদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী নত্তবা কোচশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকপা য়ারগনি। লোয়নননা নেসনল কেম্প নত্তবা অতোপ্পা কেম্পশিংসু পাঙথোকপা য়ারগনি। স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পীরিবা কাংলোন খর অদুদি, শিজিন্নগদৌরিবা লুপ অদুনা ওন লাইন্দা হান্না বুকিং তৌগদবানি অদুগা সেসন অমদা য়ামদ্রবদা ট্রেনি ১০দগী তারোইদবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা 'ফিট ইনিদয়া মুভমেন্ট হৌদোক্কদৌরিবা অসিনা শান্নফম মতিক চানা লৈতবা অদুগা শান্নবদা থৱায় য়াওবা অঙাংশিংসু মফমশিং অসিদা শান্নবা য়াহনগদৌরি।

দিল্লিগী নেহরু ষ্টেদিয়মদা ফুটবোল, ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর ষ্টদিয়মদা রেষ্টলিং, বোক্সিং, জুদো অমসুং বেদমিন্টন শান্নহনগনি। অদুগা নেসনল ষ্টদিয়মদনা হোক্কি অমসুং স্বিমিং ইভেন্টশিং শিজিন্নহনগদৌরি। স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা খোংথাং অসি লাক্লিবা থা ৩দা খোংজেল থুহল্লগনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা দটচ ওপন বেদমিন্টন টাইটল লৌদুনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ৱর্ল্ড টুর টাইটল ফংবা ঙমখ্রে




অলমের, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সী): নেদরলেন্দসতা পাঙথোকপা দটচ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌদুনা করিয়রগী অহানবা ৱর্ল্ড টুর টাইটল সৌবা ঙমখ্রে। ঙসি মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী ফানেলদা জপানগী শান্নরোয় য়ুসুকে ওনোদেরাবু মায়থীবা পীখিবনি।

মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন হন্দক্কী চহী অসিদা অহানবা ওইনা সেনিয়র থাক্তা শান্নরকপনি। মিনট ৬৩ চঙনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লক্ষ্য সেননা অহানবা গেম শোথখ্রবসু অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গেম অদু থোইদুনা ২-১দা ফাইনেল অদু মায়পাকখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা লক্ষ্য সেননা স্বিদেনগী শান্নরোয় ফেলিক্স বুরেষ্টেটপু ২১-১২, ২১-৯দা থোইরম্বনি। অদুগা মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা জপানগী ওনোদেরানা চাইনাগী শান্নরোয় লি শিফেংবু ২১-১৯, ১৬-২১, ২১-১৩দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা অহানবা গেম অদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা হেনখিবা পোইন্টশিং অদু তান্নবা ঙমদনা ১৫-২১দা মায়থীদুনা গেম অমা শোথদুনা লৈখি।

অনীশুবা গেম অদু শান্নরোয় অনীম্মক লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরকখি। পোইন্ট ৮-৫দা সেননা হেন্দুনা লৈরম্বদগী ১২-৮দা মাংজিল থাবা ঙমখি। অদুবু জপানগী ওনোদেরানা তানখৎলক্তুনা ১১-১২দা লৈরকখি। অদুবু লক্ষ্য সেননা মখাতাবা মশান্নদনা অহেনবা পুরকপা ঙমখিবদগী ২১-১৪দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু দিসাইদিংদা পুরকখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৭২দা লৈরিবা লক্ষ্য সেননা অরোইবা গেম অদুদা ২১-১৫দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌখি। সেননা হৌখিবা থাদা বেলজিয়ন ওপন টাইটল লৌবা ঙমখি অমসুং পোলিস ওপনগী ফাইনেলসু য়ৌখি।

# রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা রোলেক্স সাঙহাই মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



সাঙহাই, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সী): চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি সাঙহাইদা পাঙথোকপা রোলেক্স সাঙহাই মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল মেদবেদেবনা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু মায়থীবা পীদুনা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবকী করিয়রগী ওইনা এটিপি টুর্নামেন্টকী ফাইনেল শান্নরকপা থংন-থংনবা ৬শুবা ফাইনেললনি।

পনবা য়াই, সেমীফাইনেলদা মেদবেদেবনা ৱর্ল্ডনম্বর ৱান শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোবাক জোকোবিচপু মায়থীবা পীরম্বা গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসপু ৭-৬(৭-৫), ৭-৫দা থোইরম্বনি। অমরোমদা মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বনি। ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহৌবা সেটতগী হৌরগা মেদবেদেবনা য়াম্না পাঙ্গল লৈনা শান্নরকখি।

জ্বেরেবকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা গেম ৩-০দা মাংজিল থাখি। অদুবু জর্মনিগী জ্বেরেবনা মখাতানা মেদবেদেবকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ২-৩দা লৈখ্রবা মতুং মখাতাবা গেমশিং হোল্ড তৌনবদগী ৬-৪দা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা সেট ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা সেটতদি মেদবেদেবকী মশান্না অদুদা জ্বেরেব পাউখুম পীবদা অৱাবা অমা ওইদুনা সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোন্না অনীশুবা সেট অদু ৬-১দা থোইদুনা রোলেক্স সাঙহাই মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ক্রোসিয়াগী মাটে পাবিস অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেসনা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং অতোপ্পা ব্রাজিলগী শান্নরোয় মার্সেলো মেলোবু ৬-৪, ৬-২দা থোইদুনা দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না সাউথ অফ্রিকাবু ইন্নিংস অমগা রন ১৩৭তা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে



পুনে, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী নুপাগী ক্রিকেট টিম্না টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজগী ওইনা পুনেদা লৈবা মহারাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিএসন গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১০গী হৌখিবা ২শুবা টেষ্ট মেচ অদু ইন্নিংস অমগা রন ১৩৭তা থোইদুনা মেচ অহুমগী সেরিজ অদু লৌখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা য়াম্না ফজবা মওংদা ৱিকেট ৫খক আউট ওইরগা রন ৬০১দা ইন্নিংস দিক্লার তৌখি। ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ভিরাট কোলিনা য়াম্না ফজবা দবল সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখি। মহাক্না পুন্না রন ২৫৪ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখি। টিম অদুগী ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱালনা হৌরকপদা রন ১০৮ লৌদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস ফজহনখি।

৫শুবা বেটচমেন অজিনক্য রহানে অমসুং রবিন্দ্র জদেজাসু য়াম্না চাওনা মতেং পীদুনা মথংশিংনা রন ৫৯ অমসুং ৯১ লৌবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ২৭৫খক লৌদুনা ইন্দিয়াদগী রন ৩২৬ শোথদুনা লৈখিবদগী ফোলো ওন তৌখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রন ৬০১গী শরুক ৩ থোকপগী ২ হায়বদি রন ৪০০ য়ৌখিদবদগী ফোলো ওন তৌখিবনি। সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা কেপ্তেন ফাপ দি প্লেসিসনা রন ৬৪ লৌরম্বা, ১০শুবা বেটচমেন কেসব মহারাজনা রন ৭২ লৌরম্বা অদুগা ভর্নোন ফিলান্দরনা রন ৪৪ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

সাউথ অফ্রিকাগী অহানবা ইন্নিংস অদু ইন্দিয়াগী বোলর রবিচন্দ্র আশ্বিননা ৱিকেট ৪ লৌখিবা, উমেস যাদবনা ৩ লৌখিবা অমসুং মহম্মদ সামিনা ৱিকেট ২ লৌখিবা অদুনা য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্ককশিং ওইখি।

ফোলো ওন তৌদুনা সাউথ অফ্রিকানা রন ৩২৬ শোথদুনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ৱিকেট ১০মক আউট ওইবদা শুপ্পগী রন ১৮৯ লৌখিবদগী ইন্দিয়ানা মেচ অদু ইন্নিংস অমগা রন ১৩৭তা থোইদুনা হোম সেরিজদা মেচ ১১ থংন-থংননা মায়পাকপা ঙম্লি।

# সুল্টান ওফ জোহোর কপ্তা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৮-২দা থোইখ্রে

জোহোর বারু, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সী): মলেসিয়না য়ুম্বু ওইদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা চহী ২১ মখাগী ইন্টর্নেসনল হোক্কি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুল্টান ওপ জোহোর কপকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন মেচ অমদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু য়াম্না হেনদুনা পাঞ্জল ৮-২দা থোইবা ঙমখ্রে।

জোহোর বারুগী তমান দয়া হোক্কি ষ্টদিয়মদা লৈবাক ৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১২দগী হৌরকখিবনি। শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি, ইন্দিয়া, গ্রেট বৃটেন, ওষ্ট্রেলিয়া, জপান, মলেসিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনি।

ঙসি ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা মেচ অদু হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়ানা য়াম্না হেন্দুনা বোল অদু ন্যু জিলেন্দগী হাফতা অয়াম্বা মতমদা লৈখি। অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা পুন্না পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয় দিলপ্রিটনা মেচকী ৬শুবা মিনটতা দিলপ্রিটনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমনা একাউন্ট হাংদোকখি।

অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়গদবা মতম য়ামশিল্লত্তুবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখাতানা চথখিবা এটেক্ট অমদা সিলানন্দনা ১৪শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইনিদয়ানা মখাতানা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। ১৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সঞ্জয়না ফিল্ড গোল অমদা হাফচিন্দুনা অপুনবা স্কোর ৪ শুখি। টিমমেট মোরনা ২০শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। ন্যু জিলেন্দনা পাউখুম পীবা ঙমদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ২২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা পাঞ্জল ৫ শুখি। অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ২খক্তা ঙাইরবা মতমদা ন্যু জিলেন্দগী থোমাসনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৫-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ৩শুবা ক্বার্টর লোয়রমদাইদা ন্যু জিলেন্দগী থোমাসনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু ইন্দিয়াগী সুমনা ক্বার্টর অদুগী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৬-২দা লৈখি। মেচকী ৫০ মিনটতা ইন্দিয়াগী প্রটাপনা পাঞ্জল অমা লোয়নননা সুদিপনা ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৮-২দা থোইখি। ওক্টোবর ১৫দা জপানগা ইন্দিয়াগা শান্নরগনি।

# সাফ অন্দর ১৫ গর্লস ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



থিম্ফু, ওক্টোবর ১৩(এজেন্সী): ভুটাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা চহী ১৫ মখাগী নুপী মচাগী সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

থিম্ফু সিটিদা লৈবা শালিমিথাঙ ষ্টদিয়মদা লৈবাক মরীনা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৯দগী শান্নরকপা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেচতা নেপালবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। মদুগী মতুং ভুটানগী টিম্বু পাঞ্জল ১০-১দা থোইরবা মতুং ঙসি বংলাদেশকা লম্বা তৌনখি।

ঙসিগী অরোইবা রাউন্দ রোবিন মেচ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মদুগী কান্নবা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অষ্টাম ওরাননা পীরকখিবা বোল অমা বংলাদেশকী শান্নরোয়শিংনা মার্ক তৌদনা লৈখিবা অমিসা বাক্সলাদা য়ৌরকখি। অমিসানা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা বংলাদেশকী কিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল চনখিবা হরাওবা ফোঙদোকপগী মতম ইকুই কুইখিদে। বংলাদেশকী ফোৱার্দ সপনা রাণিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা পাস তৌনবদা নান্থোরকপা বোল অমা পুশিন্দুনা গোলকিপর এদ্রিজা সরখেলবু মায়থীবা পীদুনা ইক্বেলাইজর অদু ২৬শুবা মিনটতা চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈরকখি।

অনীশুবা হাফতসু অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ১-১দা দ্রো চৎখি। মকোক মথং তাখ্রবা টিম অনীনা থা অসিগী ১৫দা ষ্টদিয়ম অসিমক্তদা ফাইনেল শান্নরগনি।